ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 49, Issue No. 236 | নোংমাইজিং, পোইনুগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, November 30, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### আই দি পিশিংনা মশাগী ময়ূমদা চঙজরগে হায়বগী খোঙজং খংকন কনশিল্লক্লে

## গ্বালতাবীদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টিয়র গ্যাস কাপ্পদা আই দি পিশিংনা খোঙফম হন্দোকউ য়াদবদগী নোংমৈ কাপখ্রে, তরেৎ শোক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** কোকোমি অমদি লূপশিংনা হয়েং লোইশিনগদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মহুত্তা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হান্না হঞ্জিলহল্লু হায়বদা লৈঙাক্লা তাবীদবদগী লূপশিংগী ফিরেপ্পু শৌগৎলকখিবা আই দি পিশিংনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লবনিনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়বা ওইরবদি মখোয়বু মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনজরগে হায়না মফম খরদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী মখা তারকপদা ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্টকী গ্বালতাবীগী খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী খুঙ্গং য়াওনা মশাগী য়ূমশিংদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা মশীং য়াল্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগগী মরক্তা চাউনা মুক্লরকপদগী মীওই তরেৎলোম শোকখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরদুনা শওস্লুংগী রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা গ্বালতাবীগী খুঞ্জাশিংনা য়াইঙংপোকপী তম্না চঙশিল্লকখিবনি। মখোয়না য়াইঙংপোকপী কৈথেলদগী মমাঙলোমদা খরা চৎখৎলগা গ্বালতাবী খুনৌ য়ৌরমদাইদা মশীং ...মখা লমায় ৩ কলম ২


গ্বালতাবীদা আই দি পিশিংগা সিক্যুরিটি ফোর্সকা মুক্নবা, শোক্লবা মীওই অমা (ইন্সেট)

## পাওনা কৈথেল অমসুং গভর্ণর মনীংগী লম্বী ফজনবা শেম্বদা য়োং মাল্লক্লে, লৈখোম-লৈনাংনা শলাক শারে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** মতম খরগী মমাঙদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শরুক অমা ওইনা লৈরকখিবদা নত্তনা মখল কয়াগী পোৎ চৈশিং য়োনবা দুকান কাগোক অনী পরেং শানা লৈবগী মথক্তা সিনেমা হোল, মরু ওইবা বেঙ্কশিং, ফোটো ষ্টুদিও, হোষ্টেল, লন্নাই লূপ খরগী ওফিসশিং, হোটেল অমদি মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন লিমিটেদকী ইম্পোরিয়ম্নচিংবা লৈরিবা পাওনা কৈথেলগী লম্বী পরিংদা কান্নবা চরোং ফংলগদবনি হায়দুনা ড্রেন চনখৎলকখিবদা লম্বী পরিং অসিগী মতাইদা থাবা উশিং য়ান্থৎলি-য়ান্থৎতে হায়বগী ৱাথোক থোকখ্রবা মতুংদা ঙসিদি ড্রেন শেমগৎলকপগী থবক অসিনা কৈথেল অসিগী লম্বী পরিং অসি শেল্ল-শেল্লগা য়োং মাল্লক্লে হায়বগী ফীভমদা লৈখোম-লৈনাংনা শলাক শাদুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারক্ত্রে।

পাওনা কৈথেলগী লম্বী পরিং অসিদা লৈরিবা দুকানশিংগী খক্তা নত্তনা ইম্ফাল ময়োলগী মরু ওইবা লম্বী অমসু ওইরিবনি।



পরিং অসিদা পায়খৎলকপা ড্রেন চনবগী থবক লোইশিন্দুনা মসিগী মখুম পানবা অমদি শেম শাবগী থবক চথ্থরক্লবসু অনৌবা ড্রেন চন্নবগীদমক তৌথোকপদা থোরকপা লৈবাকশিং, ড্রেন মনুংদা তুংশিল্লকপা ঈশিং লম্বী মথক্তা চিংখৎতুনা থাদরকপনচিংবনা লম্বী পরিং অসি শলাক শারকপনি।

পাওনা কৈথেলগী লম্বী পরিংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি ড্রেন চনবা খক্তসু নত্তনা মতম খরগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মীৎয়েং মখাদা এনক্রোচরনি হায়বা দুকান খরনা হেঞ্জিন্না শাজিল্লম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ৱাকিং চৎপা অমা গাড়ীনা থোম্বদা শিরে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩.৫৫ রোম তারকপদা মোইরাং পি এসনা কোল্লিবা সেন্দ্রা বোট হাউস মনাক্তা মখোঙনা ৱাকিং চৎপা অহল অমা সিলভর মচুগী কার অমনা থোল্লম্বদগী লায়কন্নবা নংদনা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং ফাইরেম্বম মীকোই (৬৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ বির কৌই, মোইরাং ময়ায় লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭তগীনি। মহাক হেক শোকপগা মনাক অদুৱাইদা লৈরম্বা মীওইশিংনা মোইরাংগী সী ঐচ সীদা লায়কন্ননবা পুখৎখি অদুবু ডাক্তরনা মহাক শিরগা পুরক্লে হায়রকখিবনি হায়রি।

মহাকপু ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

### বেঙ্কোকতা থাইলেন্দগী য়ুনিভর্সিটি অমগা দি এম য়ু অমসুং এম টি য়ুগা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী পুৱারী ওইহৌরগদবা খোঙথাং অমদা ঙসি বেঙ্কোকতা থাইলেন্দগী সুৱান দুসিট য়ুনিভর্সিটিগা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খূৎয়েক পীনখ্রে।

মণিপুরগী য়ুনিভর্সিটি অনী অমসুং থাইলেন্দগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংনা ষ্টেট ফোর্সতা হায়-পীসকী ৱাহন্থোক খঙদ্রবদি মতম খরা ত্রেনিং তৌবীয়ু



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা চথ্থরক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী ঙসি ৯নি চনবা নুমিৎ ফাওবদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংনা মখোয় মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ষ্টেট ফোর্সকী মায়কৈদগী মখোয়বু লাকশিন্নবনি হায়দুনা চথ্থরকপা থৌওংশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ৱাংজিং ন্যু মার্কেটতা পোৎফম ফল্লিবীশিং মৈ হৌনা শাওরে

## নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা কোয়লাস থাদ্রবদি লম্বী তৌথোক্লগনি লাউথোকখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) :** ৱাংজিং-হৈরোক লমখাইগী ন্যু মার্কেট মপাদা লৈবা লম্বী মতেক অসি নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা কোয়লাস থাদ্রবদি তৌখাইরগা লম্বী থিংজিল্লগনি হায়না কৈথেল অসিদা পোৎফম ফল্লিবীশিংনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কৈথেল ফল্লিবীশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### সঙাই ফেষ্টিবেলদা বোম লংশিন্নবা তৌরম্বগা মরী লৈনদে : কে সী পি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ :** কংলৈপাক কম্মুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন-চার্জ (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালগী চেরোল অমনা সঙাই ফেষ্টিবেলদা বোম লংশিন্নবা তৌরম্বগা কে সী পিগা মরী লৈনদে হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### চহী ২০গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচএনএস):** ওক্টোবর ১২, ২০১৯দা শুপ্পতগী চহী ৭ লোমদা শুখিবী মচানুপীদা চৎহৈদবা লীচৎ চৎলি হায়দুনা লৌখৎপা কেসকী ৱায়েলদা ঙরাং ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর ৱান, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


Incredible India

MANIPUR SANGAI FESTIVAL
21-30 Nov, 2025
Festival of Oneness

CELEBRATING
THE CULTURAL SOUL OF MANIPUR

From thrilling adventures on land and water mesmerising performances that celebrate Manipur's soul, the Sangai Festival 2025 promises an experience like no other. Immerse yourself in a world of indigenous sports, exquisite crafts, global cuisines and vibrant cultural expressions - all set against the breathtaking backdrop of the Jewel of India. Ten unforgettable days of music, movement and magic await you.

10 DAYS | 30 ARTISTS | FOLK TROUPES | INTERNATIONAL TROUPES | DEMO & WORKSHOP ON CRAFT | WORLD CUISINE | INDIGENOUS SPORTS | ADVENTURE SPORTS



CLOSING CEREMONY
on 30th November, 2025 at Bhagyachandra Open Air Theatre (BOAT)

Register today for:
5 Days Capacity Building Workshop for Homestays
Under Raising and Accelerating MSME Performance (RAMP) - A Project of World Bank & Ministry of MSME, GOI
Email us at: manipurtsm@gmail.com
www.manipurtourism.gov.in
HL-B/11041/30